# হুইয়েন লানপাউ

জোইন্ট কম্মিটি ওন ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেমগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুরদা য়েলহৌমী কন্ননবা আই এল পি চৎনহল্লু হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা ৱাকৎ মীফম ফম্বা



জে সী আই এল পি এসকী কনভিনর ওইরম্বা খোমদ্রাম রতন ফানবা লাউথোকখিবা ৱান্টেদ হন্দোকউ হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা শিংজমৈ থোংখোংদা মহৈরোয়শিংনা চরা হেনবা



নোংচুপ হারম খোর্জেল্লুপ য়ুরেম্বমনা শীন্দুনা সেরাম অমুবীনা ইবা ইপা ইপুগী ফম্না ৱারী, কে এস ঐচ কুঞ্জোনা ইবা অচিকপগী চহী চান্মা কৌবা লাইরিক অনী ফোংডবগী থৌরম



মণিপুর পুলিসকী দি জি পি ওইরম্বা ৱাই জয়কুমার উরিপোক এ সীদা মীরেপ ওইরগনি হায়না নাওরেমথোং কৈথেলদা লৈবা কেন্দিদেট অসিগী য়ুমদা পাঙথোকপা থৌরমদা লাউথোকপা



Vol. 40, Issue No.130 | নিংথৌকাবা, থৱান ৫নি পানবা | অপুনবা লমায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Monday, August 08, 2016, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


### অ ঈং-অশাগী পাউ

| দিষ্ট্রিক্ট | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ২৯.১২০c | ২১.৭৬০c |
| চান্দেল | এনএ ০c | এনএ ০c |
| সীসীপুর | ২৯.৩৬০c | ১৯.২০০c |
| ইম্ফাল | ২৭.৮৭০c | ২০.৮৯০c |
| সেনাপতি | ২৮.১৬০c | ১৭.৬৭০c |
| তমেংলোং | ৩২.৪৯০c | ১৯.০৮০c |
| থৌবাল | ২৯.৩৭০c | ২০.৫৩০c |
| উখ্রুল | ২১.১২০c | ১৭.৩০০c |
| মণিপুর | ৩২.৪৯০c | ১৭.৩০০c |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৫.৩২ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৪৫
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৫১
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট, জি ও এম

## মীতৈনা সেদ্যুল্ড ট্রাইব ওনবা কন্সটিট্যুসননা য়াই : লৈশেম্বা



ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭ (ঐচ এন এস): মীতৈ/মৈতৈনা সেদ্যুল্ড ট্রাইব ওনবা হায়বসি লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসননা য়াই অমসুং মসি তুংগী মীরোলগীদমক্তনি হায়না নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা ফোঙদোকখ্রে।

সেদ্যুল্ড ট্রাইব দিমান্দ কম্মিটিনা শীন্দুনা ঙসি থাংমৈবন্দদা লৈবা পান্থোইবী শঙলেনদা ৱাকৎ মীফম অমগা লোয়ননা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীফমদা মহাক্না হায়খি, দিমান্দ অসি হান্না লৈজরম্বা ঐখোয়গী ষ্টেটস অদু হঞ্জিন্নবা হোৎনবনি। মসিদা য়েৎনবা হায়বসিসু কান্নে। কনাগুম্বনা শেমদোকচনিংবগী তাঞ্জা পীরিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, হয়েংদা ঙাইরে মণিপুরদা ট্রেন থুংলরগদবা মসিগীদমক মীয়াম্না মীপাইবা পোক্করি। মরম অদুনা মীতৈ/মৈতৈনা সেদ্যুল্ড ট্রাইব ওনবা হায়বসি তপথবা য়ারক্ত্রে।

মণিপুরদা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চৎনহন্নবা খোঙজং অসিদগী ঐখোয়না লাপথোকপা নত্তে, আই এল পিদা অয়েৎপা পীবসু নত্তে, মসিদি মতেং পাংলিবনি। য়েলহৌঙৈদগী ঐখোয় মশেলগী মরক্তা লৈরম্বা নুংশি চান্নবগী মরী লাপথোক্লরে। অদুনা ঐগী অৱাৎপশিং অসিদি হান্না হায়গদবনি, ঐখোয়না হায়ফম থোকই। হিংননবগী লম্বী থিরকপনি হায়না লৌবসু য়াই। হিংবা হায়বসিনা হেন্না মরু ওই। মরমদি নিংতম্বা তান্দুনা নিংতম্বা ফংলবা মতুংদা নিংতম্বা ঙাক্লনবা মী হায়বসি য়াম্না মরু ওই।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, সেদ্যুল্ড ট্রাইব ওল্লগা মখোয়গী চাকথুংদগী খায়দোক্কদবা নত্তে হায়বসি হান্না খঙহনবা চঙই। কন্সটিট্যুসননা য়ারবসু ঐখোয় মশেলগী মরক্তা কা হেন্না য়েৎনরক্লবদি ৱারেপ লৌবদা লৈথোকখিবসু য়াই।

থৌরম অদুদা সেদ্যুল্ড ট্রাইব দিমান্দ কম্মিটিগী কোওর্দিনেটিং কম্মিটিগী কনভিনর মুতুম চুড়ামণিনা হায়খি, ইম্ফালগী অকোয়বদা পুং ১২ চরা হেন্দুনা ৱাকৎ মীফম, পব্লিক মীটিং পাঙথোক্লিবা অসি থা অসিগী ৩১ ফাওবা চথখিগনি। চহী ৬০গী মথক্তা লৈরবা সিনিয়র সিটিজনশিংনা পীরকপা পাউতাক্কী মতুংইন্না খোঙজং অসি চথবনি। মসিগী মতুং সেপ্টেম্বর ১৮ দা মীয়ামগী ওইবা অচৌবা খোঙচৎ অমা চৎকনি। মসি ফাওবদা লৈঙাক্না ...মখা লামায় ৩ কলম ১

## শেন্মীৎলোনগী ফীভম ফগৎহনবদা ওন্টরপ্রেন্যুরশিংনা তেংবাংবীয়ু : সী এম

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী শেন্মীৎলোনগী ফীভম ফগৎহনবদা লন্নাই ওন্টরপ্রেন্যুরশিংনা মতেং পাংবীয়ু হায়না চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা মরী লৈনবা খুদিংমক্তা আপিল তৌখ্রে।




মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটিগী হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা নেসনল হেন্দলূম দেগী থৌরমদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, ফিশা-লোনশাগী পোথোক হেনগৎহনবনা শেন্মীৎলোন ফগৎহনবদা মতেং ওইগনি, মীওই কয়া থবক পীবদসু কান্নগনি।

মিনিষ্ট্রি ওফ টেক্সটাইল দিভলপমেন্ট কম্মিস্নার (হেন্দলূম) ৱিভর সার্ভিস সেন্টর অমদি দিপার্টমেন্ট ওফ কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজনা খুৎশম্নদুনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা হায়খি, মণিপুর ফিশা লোনশাগী লম্‌দা শীংথানিংঙাই ওইরিবা মফম অমনি। মতম অমদদি ষ্টেটসিদা পুথোকচবা লং শীজিন্নরগা ফিশা-লোনশা তৌনরম্মী। ষ্টেটসিদা পুথোকপা ফিশা-লোনশাগী পোথোকশিং অসি দিমান্দ য়াম্না লৈ। ফিশা-লোনশাগী পোথোক হেনগৎহনবনা শেন্মীৎলোন ফগৎহনবদা মতেং ওইগনি। লম্‌ অসিদা থবক তৌরিবা মীওইশিংদসু য়াম্না কান্নগনি। হেন্দলূমগী লম্‌দা থোরক্লিবা ওন্টরপ্রেন্যুরশিংসু পূক্নিং থৌগৎপা তঙাইফদে।

ষ্টেট অসিগী চীংগী দিষ্ট্রিক্ট কয়াদসু ট্রেদিসনেল ওইবা ফিরোলশিং অমদি ফিশা-লোনশাগী থবক কয়া চঙশিল্লি। ফি শারিবশিংবু পূক্নিং থৌগৎপা তাই। ইয়োং ফি থোইদোক হেন্দোক্লা মমিং চৎলিবনি। হেন্না পোথোক পুথোকপা ঙম্নবগীদমক থৌরাংশিং লৌখৎপা তাই। ওন্টরপ্রেন্যুরশিং য়াওদনা লৈঙাক খক্তনা থবক পায়খৎপা য়ারোই। ওন্টরপ্রেন্যুরশিং, লৈঙাক অমদি ফিশাবীশিং পূন্না থবক পায়খৎমিন্নবা চঙই। হৌজিক্কী মতমদা মখল কয়াগী ফিশা-লোনশাগী পোথোকশিং পুথোক্তুনা কম্পিটিটিভ ৱার্ল্ড অসিদা শরুক য়াবা ঙম্নবা হোৎনবা তাই। নীংথিনা থবক তৌগদবা সোসাইটিশিং খনগৎতুনা লৈঙাক্কী শেন্থংশিং ফংহন্দুনা হীরম অসিদা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## পুলিসনা চরা হেনফম থুগায়খ্রে

ককচিং, ওগষ্ট ০৭ : য়াইরিপোক গভর্ণমেন্ট এইদেদ হায় স্কুলগী কেম্পসতা পাৱর সব-ষ্টেসন শাবা য়ারোই হায়না জে এ সী অমদি মহৈরোয়শিংনা থা অসিগী ৩দগী মহৈশঙ অসিগী গেটতা শিদ্রিফাওবা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিল্লকপা মহৈরোয় ৩ পুলিসনা ফারগা পুখ্রবা তুংদা প্রোটেষ্ট তৌফম অদু পুলিসনা থুগায়খ্রে। থৌদোক অদু মীয়াম্না য়াম্না কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

## ফাইনান্স কিলোন্সর

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭ : নাগা পোলিটিকেল টোক হেন্না খুমাঙ চাউশিন্ননবা এ লোংখুবু এন এস সী এন (আই-এম)গী ফাইনান্স কিলোন্সর ওইনা হাপখ্রে। মহাক্কী মখাদা টারটার অমা য়াওনা ওফিসর ৯সু হাপখ্রে। মসিগীসু মথক্তা মেজর জেনরেল খমহিবু লুপ অসিগী চীফ ওফ দ আর্মি ওইনা খল্লে হায়রি।

## দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭ : মোরেদগী ইম্ফালদা থোরকপা ইকো ভেন (এম এন ০১ এস-১০১৪) অমা ঙসি অয়ুক পুং ১০ রোম তাবদা খুদেংথাবী চেক পোষ্টতা ১২-এ আরগী কাঙবুনা চেক তৌবদা দ্রাইভরগী ফম্ফম সীট মখাদা লোৎতুনা পুরকপা দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট ১৯৮০ অমসুং ব্রাউন সুগর গ্রাম ৪০ ফারে। দ্রাইভর অদুগী মমিং লুলেন হাওকিপ (২৫) কৌই, সীসীপুরদগীনি হায়রি।

### গ্যাসকী পাউ

**লামায় ৩দা ফংবিগনি**

*এজেন্সীশিংনা গ্যাসকী পাউ ফোন নম্বর ৯৭৭৪৮০৩৩১০দা পীবিরকউ।*

### HL POLL

**Q : Irom Sharmila Chanu gi chahi 16 suraklaba chara henbagi khongjang soidana tokkhradra?**

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

**Q : Leingakki thoumi lounanaba cabinetna ayaba piribasi mee-khalgi sel khomgatna-bani haina loubra?**

Yes 96% No 04%

### অস! লোইরেহে!

ৱাকৎ মীফম হৌখ্রে, চৎলসি...!



ইচেমা, ঙাইহাক্তা ঙাইবীরমখো, অমুক্তা কেরুখিগে...!

## মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভি সী, ঐচ এন কে পড়া তম্বীরগনি : দেসাম

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭ (ঐচ এন এস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস-চাঞ্চেল্লর ঐচ এন কে শর্ম্মানা থবক্তগী পোথাগদবা নুমীৎ ১০ নিদা ঙাইরবা মতমসিদা এম য়ুগী তোঙান তোঙানবা ফম কয়া লৌনবা হোৎনরক্লিবা অসি মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ পার্সনেল এন্দ ট্রেনিং, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা থোকখিবা ওফিস মেমো-রেন্দম অমদি ওর্দরশিং অদু শীংনবনি হায়না দেসামনা ফোঙদোকখ্রে।

কৈশাম্পাৎ জঙ্কসন্দা লৈবা দেসামগী হেদ ওফিসতা ঙসি নুংথিল পাউমীশিংগা উনবদা লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম অঙম্বনা হায়খি, এম য়ুগী এসিষ্টেন্ট রেজিষ্ট্রারগী ফম ৪ লৌনবা ঙসি চাংয়েং পাঙথোক্লবা থৌরাং অদু দেসামনা য়ানিংদে। মরাল লৈরবা ভি সী দেসামনা পড়া তম্বীরগনি।

মমাঙদা পাঙথোকখিবা ইগজাম ফাওবা থুগাইখিবা লৈখ্রে। মল্টি টাস্কিং ষ্টাফ, পিওন অমসুং চৌকিদার লৌনবা মখল অমত্তগী রিক্রুইটমেন্ট প্রোসেস তৌবীগনু হায়নসু মমাঙদা দেসামনা য়ুনিভর্সিটিগী ওথোরিটিশিংদা খঙ-হনখিবসু ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## স্কুল য়ুনিফোর্ম ইয়োং ফিনা ওইহন্নবা ৱারেপ লৌনবা হোৎনগনি : গোবিন্দাস কোন্থৌজম

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭ (ঐচ এন এস): লমদম অসিগী হেন্দলূম অমদি হেন্দিক্রাফটসকী খুৎশা হৈবগী পোথোকশিং থেল্লগা থম্নবা অমসুং য়োন্নবা পান্থোইবী আর্কেদ ঙসি কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা ৱাঙ্খে কৈথেল অশাংবীদা হাংদোকখ্রে।

পান্থোইবী আর্কেদ শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা মিনিষ্টরনা দিজাইনর একজিবি-সন অমসুং সিল্ক এন্দ কটন ফেব্রিক্স স্কিল অপগ্রেদেসনসু হৌদোকখি লোয়ননা নুপা ফিশাবশিংদা লং য়েন্থোকখি।

হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হায়খি, লমদমসিগী ইয়োং ফিগী পোথোক্না মহৈরোয়শিংগী স্কুল য়ুনিফোর্ম ওইহন্নবা ষ্টেট কেবিনেটকী ৱারেপ লৌননবা হোৎনরি। তৌবদদি ইয়োংগী ফি অৱাৎপা লৈহল্লোই হায়বগী থাজবা অমদি পীবগী তঙাইফদবা লৈ।

মিনিষ্টরনা হায়খি, লমদমসিগী ইয়োং ফি অমদি খুৎশা হৈবগী পোথোকশিং লৈশিল্লগা পান্থোইবী আর্কেদ অসিদা থমগনি। মণিপুরগী ৱাংমদগী লাকপা মীওইশিংনা ষ্টেট অসিগী হেন্দলূমগী পোথোকশিং লৈনিংবা মতমদা ফংহনবা ঙম্ননবা থৌরাং অসি দিপার্টমেন্টনা পায়খৎ-লকপনি। ষ্টেট অসিদা শেল-থুমগী মনিং তম্বা পুরক্কনবা হোৎনবদা তঙাইফদনা ৱার্ক কলচর লৈহনবা তাই। শিন্মীশিংনা মতমগী মমল খঙনা থবক তৌগদবনি। থবক খুদিংমক ঙাইহাক্কী ওইবা ৱাখল থাদোক্লগা পান্দম অমগী মখাদা থবক শুবা চুমগনি।

থৌরম অদুদা য়াইস্কুল এ সীগী এম এল এ, এলাংবম চান্দসু শরুক য়াখি।

## জপানিজ এন্সেফলাইতিস

**মশি করিনো?**

- জপানিজ এন্সেফলাইতিস অসি ক্যুলেক্স কৌবা কাঙ মখল অমনা চীকপদগী ভাইরস অমনা থোকহনবনি, লোয়ননা মসি মহৌশানা ঈশিংদা চাক্তাবা উচেকশিং অমদি ওকশিংদা মরাং কায়না ফংই।
- মীগা-মীগগী মরক্তা শন্দোক্তে।
- মহিক অসি য়াওরবা কাঙনা চীকপদা মী ৫০০ গী মনুংদা অমখক্তমক লায়না অসি নাহল্লি।

**খুদম অমসুং লাইওংশিংঃ**

- অরুম-লাইহৌ কন্না হৌবগা লোয়ননা মখাগীশিং অসিদগী অনী নৎত্রগা অনীদগী হেনবা লাইওংশিং উৎলকই।
  মসলশিং নাবা লোয়ননা কোক চীকপা, ঙক লেংবা য়াদবা, ওনিংবা, কাউজনথিবা, ফীবম কায়রকপা, লেংনিংদবা, হৈনিংবা পোক্তবা অমসুং চীংথেকপা।

**তৌগদবশিং ঃ**

- চীংননিঙাই ওইবা মওংদা লাইহৌ তৌরবদি, অদোমগী খ্বাইদগী মনাক নকপা হেল্‌থ সেন্তর অমদা চৎপীয়ু।
- তিন-কাঙনা চীক্তনবা হীদাকশিং শীজিন্নবিয়ু।
- খুদাং অশাংবা ফুরিৎ লীৎপিয়ু অমসুং খোঙ্গ্রাও শেৎপীয়ু নৎত্রগা হকচাংগী অয়াম্বা শরুক খুমজিনবা ঙম্বা ফীজোল শেৎপীয়ু।
- তুম্বা মতমদা কাঞ্জুল খনবিয়ু।
- ওকশিং লুনা নান্না লোয়বিয়ু অমসুং মী লৈফমদগী লাপ্পা থম্বীয়ু।
- য়ূমগী অকোয়বা অমসুং মনুংদা মতীক চাবা সেনিতেসন থম্বীয়ু।
- জপানিজ এন্সেফলাইতিসতগী ঙাকথোকপা অমসুং লাকশিনবদা ওথোরিতিশিংগা খূৎশম্নবিয়ু।

**তৌরোইদবশিংঃ**

- য়ূমগী অকোয়বদা ঈশিং তুংহনবিগনু।
- অদোমগী য়ূম্লোন্নবদা কেস অসি থেংনবদা করিসু কীরোইদবনি।
- পেন কিল্লর ওইনা এস্পিরিন নৎত্রগা অতোপ্পা NSAID চারোইদবনি।
- কান্নদবা মীশিংগা তান্নদুনা মতম মাঙহনবিগনু।

*মীয়ামগী স্বার্থদা ফোঙজরিবা*

**দিরেক্তর ওব হেল্‌ঠ সার্বিসেস, মণিপুর**
**অমসুং**
**নেসনেল হেল্‌ঠ মিসন, মণিপুর**

HL-B/3246/7,8,9

## ইম্ফাল ইষ্ট জিল্লা পরিষদতা নো কনফিদেন্স মোসন থাঙ্গৎখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট জিল্লা পরিষদকী অধক্ষ্যগী মথক্তা নো-কনফিদেন্স মোসন থাঙ্গৎখ্রে। চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না মীটিংনচিংবা কৌগদবশিং কৌরক্তবনা মখা তাবা খোঙথাংশিং চঙশিল্লগনি হায়না টুলিহল জিল্লা পরিষদকী মেম্বর কে তোম্বীনা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল পাউমীশিংগা উনবদা টুলিহল জিল্লা পরিষদকী মেম্বর কে তোম্বীনা হায়খি, ইম্ফাল ইষ্ট জিল্লা পরিষদকী ওইনা পূন্না মেম্বর ১৯ লৈ। মেম্বরশিং অসিগী মনুংদা মেম্বর ১১ না খুৎয়েক পীদুনা মমাঙ থাগী ২০ দা জিল্লা পরিষদ অধক্ষ্যগী মথক্তা নো-কনফিদেন্স মোসন থাঙ্গৎখি। ইম্ফাল ইষ্ট জিল্লা পরিষদকী হৌজিক অধক্ষ্যগী থবক থৌওং কয়াদা য়ানিংদবশিং লাকপদগী মেম্বর ১১ না খুৎয়েক পীদুনা নো-কনফিদেন্স মোসন থাঙ্গৎখিবনি। নো-কনফিদেন্স মোসন থাঙ্গৎলবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা স্পেসল কনভিন্স ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## বস দ্রাইভর ফাখিবগী ষ্টিয়ারিং পায়দবগী খোঙজং চঙশিনদৌরি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭ (ঐচ এন এস): ইম্ফালদগী গুৱাহাটি চেনবা জেট ট্রেভেলস বসকী দ্রাইভর থোকচোম ইনাও মশক খঙদবশিংনা দিমাপুরগী বর্মা কেম্প ময়াদগী নোংমৈ চীন্দোন্দা ফারগা পুখিবগী মায়োক্তা ওল মণিপুর নাইট সুপর বস দ্রাইভর ৱেলফেয়র এসোসিএসননা হয়েংদগী ষ্টিয়ারিং পায়দবগী খোঙজং চঙশিনবা হৌরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লব ইম্ফালদা ঙসি নুংথিল পাউমীশিংগা উনবদা এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি এন জোটিননা হায়খি, জেট ট্রেভেলসকী বস (এম এন ০১-২১৭৪)গী দ্রাইভর অসি থা অসিগী ৫গী নুংথিল পুং ৪ রোম তাবদা বর্মা কেম্প ময়াদা শকখঙদবশিংনা পেসেঞ্জর পুরগা চৎপা বসতগী চিংথখিবনি। হীরম অসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্তসু খঙহনবা লৈখ্রে। অদুবু ঙসি ফাওবা দ্রাইভর অসি থাদোরক্তবনা মরম ওইরদুনা হয়েংদগী ষ্টিয়ারিং পায়দবগী খোঙজং চঙশিন্নবা ৱারেপ লৌবনি হায়রি।

## জে ঈ লায়না পোজিটিব ওইবা মীগী মশীং পূন্না ৩৭ শুরে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭ (ঐচ এন এস): মণিপুরদা জপানিজ এনকেফেলাইটিস (জে ঈ) লায়না নাবগী চাং হৌখিবা চহী ২০১৫ দগী হন্দক্কী চহীনা চাং হেনগৎলক্লে। মমাঙ চহীদা মীওই ৩০ রোমতমক লায়না অসিনা নাবগী রেকোর্দ লৈজরবসু হন্দক্কী চহীগী ওইনা ঙসি ফাওবদা পূন্না মীওই ৩৭ পোজিটিব ওইবা থেংনরে হায়রি।

হৌখিবা নুমিৎ ৪ নিদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল অমসুং সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টতা মীওই অমমম্‌ পোজিটিব ওইবগী ফল লাকপদগী পূন্না অনাবা মীগী মশীং ৩৭ শুরকপনি হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা হেল্‌ঠ দিপার্টমেন্টতগী ফংবা পাউনা হায়রি। হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিনা মী কয়া য়াম্না শিরবগে হায়বা চপ চানা হায়বা ঙমদ্রবসু হেল্‌ঠ দিপার্ট-মেন্টকী দিরেক্টরনা ঙরাং নহান্তা পূন্না মীওই ৩ লৈখিদ্রে হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে।

## শর্মিলাগী খোঙফম হন্দোকপীনবা অকোম লুপনা আপিল তৌরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭ (ঐচ এন এস): শর্মিলানা চরা হেনবা তোক্লগনি হায়রকপা অসি মীয়ামগী ৱাখল্লোন য়েংবা ওইরমগনি, মসিনা করিগুম্বা অশেংবা ওইরম্বা তারবদি খোঙফম হন্দোকপীনবা অকোম লুপনা ইরোম শর্মিলা চনুদা আপিল তৌরক্লি।

অকোম লুপ কংলৈপাক্কী সেক্রেটরি জেনরেল তেলহৈবা মঙাঙনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মালেমদা চাউথোকচনিংঙাই ওইরিবা মীওইবা খুন্নাইবু কঞ্জনবনি হায়না লৈরিবা লোশিংগী মনুংদা মীওইবা খুন্নাইগী মায়োক্তা লৈবা লোশিং লৈতবা নত্তে। আর্মদ ফোর্সেস (আসাম এন্দ মণিপুর) স্পেসল পাৱরস ওর্দিনান্স ১৯৫৮ অসি মতমদুগী প্রসিদেন্ট ডা. রজেন্দ্র প্রসাদনা কুমজা ১৯৫৮ কী মে ২২ দা মীয়ামদা খঙহনখি।

আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পাৱরস এক্ট হায়রিবা লো অসি য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী মনুংদা লৈবা ষ্টেটশিংগী ইন্টর্নেল মেট্রদা ইন্দিয়া লৈঙাকপু পেন্দবগী হৌরকপা ঈহৌশিংবু নমথবা ঙম্নবা শেমখিবা এক্ট অমনি হায়না মীয়ামদা লান্না শন্দোক্লি। এক্ট অসিনা পেরামিলিটরি অমদি আর্মিদা ইম্যুনিটি পীদুনা ঈহৌগী মায়োক্তা চখৈ। মালেমগী তোঙান-তোঙানবা প্লেটফোর্মদা তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা আর্মিনা মীচম মীয়ামগী মায়োক্তা মীওৎ-মীনৈ চথবদা শীজিন্নরিবা লোশিংগী মরক্তা অফস্পা হায়বসিনা হ্যুমেন রাইটতা কয়া য়াম্না ভাইওলেট তৌবগে হায়বসি পন্দ্রবসু মীয়াম্না খঙনরবনি।

শর্মিলানা চহী ১৫ হেন্না চরা হেন্দুনা অফস্পাগী মায়োক্তা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসি মালেমদা চাউথোকচ-নিংঙাই ওইবা মীওইবা খুন্নাইবু কঞ্জনবনি। ইন্দিয়ন লোগী মথক্তা চঙশিনবা অখন্নবা খোঙজংশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী নন-ভাইওলেন্স ওইবা দেমোক্রেসিনা কক্লীংঙাই য়াওদনা য়ারবা খ্বাইদগী কনবা খোঙজং অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

ইরোম শর্মিলা চনু হায়না হেক পনবগা মালেম মীয়াম্না আইরন লেদি ওফ মণিপুর ...মখা লামায় ৫ কলম১

## ইরোম শর্মিলা উনবা লাক্কদৌরি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৭ (ঐচ এন এস) : চরা হেনবগী খোঙজং তোক্লগা পোলিটিক্সতা খোঙদারগনি হায়না লাউথোকখ্রবী ইরোম চনু শর্মিলা উননবা জে দি (য়ু)গী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি অমসুং নোর্থ ইষ্ট ইন-চার্জ অরুনকুমার শ্রীভাষ্টবা থা অসিগী ৯ গী অয়ুক পুং ৯ দা ইম্ফালদা থুংলরগনি।

বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিতিস কুমারগী মীৎয়েং মখাদা ইরোম শর্মিলা উনবা লাক্কদৌরিবা অসিগী মরম চপ চানা খঙদ্রবসু মহাক্কী খোঙজং শৌগৎপা ওইননি হায়রি। শর্মিলা কোর্টতা পুথোরকপদা উননবা থৌরাং তৌরি হায়না জে দি (য়ু), মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটতগী ফংবা পাউনা হায়রি।

মরক অসিদা, ইরোম শর্মিলাগী খোঙজং শৌগৎতুনা থা অসিগী ৯ দা ন্যু দিল্লিগী জন্তর মন্তরদা মীয়াম্না প্রোটেষ্ট তৌগদৌরি। সেভ শর্মিলা সোলিদরিটি কেম্পেইননা শীন্দুনা পাঙথোক্ক-দৌরিবা প্রোটেষ্ট অসিদা লৈবাক অসিদগী অফস্পা লৌথোক্লনবা অমসুং শর্মিলাগী পূন্সি কন্ননবা খোল্লাউশিং লাউগনি হায়রি।

HL-B/3245/6/08-5/09





ঈ-পাঙ্জা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫